**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 21-01-2025)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২১-০১-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১)　তেংনৌপল জিলাদা, জিলা অদুগী নুপীশিং মপুং ওইনা মরিং নুপীশিংগী ওইবা কৈথেল অমা শারগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি।

২)　রাজ্য অসিগী চিং অমদি তম্পাক্কী জিলাশিংদা সেক্যুরিটি ফোর্সনা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলি। চুরাচান্দপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎলে।

**অমসুং**

৩)　স্পোর্টস মন্ত্রি গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়রি-উট্টারাখন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসদা শরুক য়াগদবা রাজ্য অসিগী শান্নরোইশিংগী চখোক চৎশিনদা চংবা শেনফমশিং মণিপুর সরকার অমদি মরি লৈনবা বিভাগনা পুথোক্লগনি।

**সিএম (এল)ঃ**　তেংনৌপল জিলাদা, জিলা অদুগী নুপীশিং মপুং ওইনা মরিং নুপীশিংগী ওইবা কৈথেল অমা শারগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি।

　তেংনৌপল জিলাগী লাইচীং কাংশঙ ভিলেজদা দাইমন্দ জ্বিলি কম আইথ বিনিয়েল স্পোর্টস মিট ২০২৫ হৌদোকপগী থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-কৈথেল

অসি জিলা অদুগী নুপীশিংগী মতেং পাংবা অমদি মখোয়গী পুন্সি মহীংদা ফগৎহন্নবগীদমক শাগদবনি। শ্রী বিরেননা মখা তানা হায়-মরিং খুঞ্জাশিংনা পোপী থাবগী ৱাখল্লোন থাদোক্তুনা মনা-মশিং য়াওনা অতৈ চান-থকবা মহৈ-মরোংশিং থাদুনা হেন্না ফবা পুন্সি মহীং অমগীদমক অমদি চান-থকবা মহৈ-মরোংশিং মরাং কাইনা পুথোকবগীদমক পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অসি থাগৎনিঙাইনি।

ৱার ওন ড্রগসকী মতাংদা পল্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা হায়-নহারোলশিংনা সরকারগী থবক ফংদে হায়বগী নমাদা নিশাদা লাইচুরকপগী সমস্য অমা লাকপদগী পাল্লিবা সরকার অসিনা হেক লাকপদগী ৱার ওন ড্রগস হৌদোক্তুনা ঙসি ফাওবদা নিশাগী মায়োক্তা খোঙথাং কয়া পায়ৎতুনা লাক্লি। সরকারগী থবক খক নত্তনা হীরম কয়াদা নহাশিংনা হোৎনবা য়াবা কয়া অমসু লৈরি হায়বসি ঙসিগী মীরোলশিং মপুং ওইনা নহারোলশিংনা পুন্না খঙমিন্নসি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-লমদম অসিগী লমগী ঙমখৈ অমদি অপুনবগী শক্তম কাইদনবা ঙল্লিঙৈ মতমদগী রাজ্য অসিদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌ ফুরুপশিংনা অমত্তা ওইনা হোৎনদুনা লাকখি। লাইওইখ্রবা ইপা ইপশিং অদুনা চহি লিশিং ২ হেনবগী পুৱারী থল্লমদুনা ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা চেকশিন্না লমদম অসিগী ঙমখৈ অমদি অপুনবগী শক্তম ঙাকশেন্দুনা থম্বীরম্মী । পারি পুরিগী হৌরকফম মশক খঙদবা জাতি অদুদি মালেমদা কনানসু মশক খঙবা ঙমলোই। মরম অদুনা পারি পুরি মশক খঙশি। হৌজিক খৎনরিবা অসি ভাব তান্নদবদগীনি, মসিদা কনাদসু শাউবা লৈতে। পুমমকা তাথোক তাশিন তৌনদুনা পুন্না হিংমিন্নশি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী চিং অমদি তম্পাক্কী জিলাশিংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা আইন কাইবা অমদি অতৈ তোঙানবা হিংশাগী

থৌদোকশিং থোক্তনবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মাইকৈদগী অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎত্তুনা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং লেপ্পা নৈতনা পায়খৎলি।

পুলিস কন্ট্রোল রুমগী পাউনা হায়-রাজ্য অসিদা নোমগী চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং সেক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোইননা নেস্নেল হায়ৱে টু ইম্ফাল দিমাপুর লম্বী অমদি নেস্নেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা লেপ্পা নৈতনা পুশিল্লক্লী। ঙরাং ফাউবদা লম্বী অনি অসিদা নোমগী চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং মাল গারি পুবা ৩০০ অমদি ২১৮ পুন্না গারি ৫১৮ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিল থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল য়ৌরকখ্রে।

রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী মফমশিংদা নাকা চেকপোইন্ট ১০৭ হাংদোক্কুনা হিংশাগী থৌদোকশিং থোক্তনবা অকনবা চেকশিল থৌরাংশিংসু সেক্যুরিটি ফোর্সকা মাইকৈদগী লেপ্তুনা পায়খৎলি।

অমরোমদা, চুরাচান্দপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা সেক্যুরিটি ফোর্সনা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে। জিলা অসিগী চুরাচান্দপুর পুলিস স্তেসননা কোনবা পি.কে পার্ক, তোর্বুংগী মফমশিংদা ঙরাং সেক্যুরিটি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা কন্ট্রিমেদ মোর্তার পোম্পী অমা, দিতোনেতর য়াওদবা হেন্দ গ্রেনেদ ৪, স্মোক গ্রেনেদ ৪, স্মোক গ্রেনেদ লোঞ্চর ১, সিঙ্গল বেরেল ব্রিচ লোদেদ গন অমা মেগজিন য়াওবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল ২, অমদি নাইন এম.এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৫ ফাগৎপা ঙমখি।

**ডে (এল)ঃ** মণিপুরনা মপুং ফাবা রাজ্য ওইখিবগী ৫৩ সুবা ষ্টেটহুদ ডে থৌরম ঙসি পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসি মণিপুর সরকারনা শিন্দুনা ইম্ফালগী অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পেরেদ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা মুখ্য মন্ত্রি

য়াওনা মন্ত্রি, এম.এল.এ অমসুং সরকারগী তোঙান তোঙানবা ওফিসিএলশিং শরুক য়াগনি হায়রি। থৌরম অসিগা মরি লৈননা তোঙান তোঙানবা মনা মথুম কয়াসু য়েন্থোক্কনি।

**তামেংলোং(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন, মহাক্কী কেবিনেট মন্ত্রিশিং অমসুং এম.এল.এ মন্ত্রিশিংনা শরুক য়াদুনা থা অসিগী ২২ দা তামেংলোং জিলাদা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরা যাত্রা হুনগনি, খরনা শঙ্গাগনি হায়রি। ঐখোয়গী তামেংলোং পাউমী রিংবম কামৈনা হায়-মফম অসিগী মীয়ামা এপোলো গ্রাউন্দদা লৈবা মিনি স্তেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফমদা শরুক য়াবীনবা জিলা অসিগী দিপ্যুটি কম্মিস্নরনা আপিল তৌরক্লি। খুলগী লূচিংবশিং, মীয়াম অমদি এম.জি.এন.আর.ঈ.জি.এসকী কার্দ পায়বা মীওইশিংসু থৌরম অসিদা শরুক য়াবীয়ু হায়রি। তামেংলোংগী মিনি সেক্রেটরিয়েত্তা মন্ত্রি মন্দোলগী মীফমসু নুমিৎ অসিদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

**নোনে (এল)ঃ** নোনে জিলাগী লোংমাই থ্রিদা লৈবা মল্টি পর্পজ হোলদা লৈবা ঙসি মীয়ামগী নুমিৎ পাঙথোক্কনি হায়রি। থৌরম অসি ঙসি অয়ুক পুং ১১ দগী হৌগনি। জিলা অসিগী দিপ্যুটি কম্মিস্নর শরট চন্দ্র আরোজ্না থোকপা চেরোল অমদা হায়-এস.দি.ও অমসুং দি.এল.ওশিংনা তোঙান তোঙানবা স্কিম অমসুং চাউখৎ থৌরাংশিংগী কান্নবশিং মীয়ামদা ফংহন্নবা তঙাইফদবা থবক থৌরমশিং পায়খৎনবা খঙহনখ্রে।

**টিম (এল)ঃ** মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী নেসনেল সার্ভিস স্কিম (এন.এস.এস)কী টিম অমা অসামগী জোরহাৎতা পাঙথোক্কদবা নেসনেল ইন্তিগ্রেসন কেম্প (এন.আই.সি)দা শরুক য়ারুনবা ঙরাং লমথাখ্রে। হায়রিবা কেম্প অসি ঙসিদগী হৌদুনা থা অসিগী ২৭ ফাওবা চৎথগনি।

**গেমস (এল)ঃ** স্পোর্টস মন্ত্রি গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়রি-উট্টারাখন্দদা থা অসিগী ২৮ দগী হৌগদৌরিবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমস ২০২৫ দা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদবা রাজ্য অসিগী শান্নরোইশিংগী চথোক চৎশিনদা চংবা শেনফমশিং মণিপুর সরকার অমদি মরি লৈনবা বিভাগনা পুথোক্লগনি । ঙরাং পাউমীশিংগা উন্নবদা, শ্রী গোবিন্দাসনা হায়-মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিএসননা রাজ্য সরকারদা গেমস অসিদা শরুক য়াবদা চংগদবা শেনফমশিংগী মতাংদা অইবা চেরোল অমা পীখৎলক্লে। মসিগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রিগা তান্নদুনা অথুবদা ৱারেপ লৌরগনি। গেমস অসিদা রাজ্য অসিগী শান্নরোই ৩৫০ রোমনা শরুক য়াগনি। শান্নরোইশিংনা চথোক চৎশিন তৌবদা চংগদবা শেনফমশিং অসি দি.বি.টিগী মখাদা এসোসিএসনশিংদা পীবা হৌরগনি। অদুবু, চয়েৎনবা লৈবা এসোসিএসনগী ওইনদি শান্নরোই মশা মশাদা ওইনা পীরগনি। শ্রী গোবিন্দাসনা হায়-

**--সাউন্দ বাইট--গোবিন্দাস**

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা শ্রী দোনাল্ড ত্রম্পনা অমেরিকাগী ৪৭ শুবা রাস্ত্রপতি ওইনা ঙরাং ৱাশক লৌখিবদা নুঙাইবা ফোঙদোরক্লি। প্রধান মন্ত্রিনা সোসিএল মেদিয়াদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হায়-লৈবাক অনিগী য়াইফনবা পুন্না থবক তৌমিন্নগনি হায়বগী অশা চাউনা থল্লি অমসুং মালেমগী য়াইফনবা থৌরাং কয়াসু তুংগী মীরোলগীদমক য়েংদুনা পায়খৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

**--পাউ লোইজরে--**

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী লাইচীং কাংশঙ ভিলেজদা পাঙথোকপা দাইমন্দ জ্‌বিলি কম আইথ বিনিয়েল স্পোর্টস মিট ২০২৫ গী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখিবা ৱাফম, মণিপুরগী ইরাং অসি অৱাং নোংপোকপু ইকাই ফীরুপ খুমহল্লে হায়বা কিরেন রিজিজ্‌গী ৱাফম অমদি মণিপুরবু হান্নগী মতৌগুম ইং তপ্পা ফীভম অমদা পুরকবা অঙন্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়না চিফ সেক্রেটরি পি.কে.সিংহনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মণিপুরদা ফোঙবা পাউচেশিংগী অহানবা লমাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙনরি।

চিফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা দাইমন্দ জ্‌বিলি কম আইথ বিনিয়েল স্পোর্টস মিটকী থৌরমদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা হুইয়েন লানপাউ, নহারোলগী থৌদাং, সনালৈবাক, ইচেল এক্সপ্রেস, মণিপুর নিউজ, পোকফম পীপলস ক্রোনিকল, সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমদি ইংলিস ইদিসন, মণিপুর মেল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস পাউচেশিং অসিদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

চিফ মিণিষ্টরগী ৱাফম অসি নহারোলগী থৌদাং পাউচেদা চহী ৭ খুন্তাকপগী অৱা তান্থোকপদা মরিং ফুরুপনা অরাম্বাই খূৎলাই শাবদা লৌখিবা থৌদাং নিংশিংবা মতম ওইরে হায়না ফোঙলি।

হুইয়েন লানপাউদা-কলচরগী য়ুমফম ওইরিবা জে.এন.মণিপুর দান্স একাদেমিদা লোগী মীৎয়েং, দাইরেক্তরগী মথক্তা পুলিসনা কেস অমা রেজিস্তর

তৌদুনা লৌখৎলে, কমপ্লেনেন্টগী মথক্তসু দাইরেক্তরনা কেস অমা রেজিস্তর তৌখ্রে হায়না ফোঙলি।

শাসিন্নবা আই.এল.পী পায়রম্বা, পীবদা চেন্নবা পুলিসনা ফারে হায়বা পাউ সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি। পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা গান-ফিউ মেলদসু ফোঙলি। নোনে দি.সিনা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী দি.এল.ওশিংদা লাক্লিবা রিপব্লিক ডে থৌরমগী শেম শানবা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ-তামেংলোং তাইমসতা ফোঙলি।

কংলৈপাক্তা ষ্টেট হুদ ডে থৌরম পাঙথোকফম থোক্তে: প্রীপাক-হায়বা পাউ অমসু সনালৈবাক, হুইয়েন লানপাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউচেশিংগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি। পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা হিলস হোর্নবিলগী অহানবা লমাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

মণিপুরবু হান্নগী মতৌগুম ইং তপ্পা ফীভম অমদা পুরকবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়না চিফ সেক্রেটরি পি.কে.সিংহনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম-পোকফম অমদি পীপলস ক্রোনিকল পাউচেশিংগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--সুনি--**